# খোঞ্জেলতনা মশক তাকপা ঙম্বী বিজয়া য়ুম্লেম্বমনা লৈখিদবদা

-নানি



তাইবঙ মপুনা ঐখোয়বু তাইবঙ ফম্বাকসিদা মহাক্না শিন্নরকপা থৌদা পাঙথোক্নবা লাকখিবনি। মীপূম খুদিং মাগী মাগী শিনফম অমগা শাগোন্নদুনা থবক থৌরমশিং মপূং ফানা পাঙথোক্নবা হোৎনরি।ঐখোয়বু তাইবঙপানসিদা থারকপদা লোয়নহল্লকপা মতিক-মঙম খরসু অদুম মশা-মশাদা লোয়নজে। লোয়নরিবা ময়ামশিং অদু নিংথিনা মফম চানা শীজিন্নবা ঙম্বা অদুবুনি মীয়াম মরক্তা থোইদোক্না শজিক্লুম-থবাগুম ঙাল্লিবা। লোয়নরক্লিবা ময়াইশিংগী মনুংদা খোঞ্জেল হায়বা অসিসু য়াম্না মরু ওই। ফজবা-অমেংবা খোঞ্জেল অদু নিংথিনা লৈতোন শেংনা ঙাঙথোকপদা মহাক্না তৌজরিবা থবক অদুগী শরুক ৪০দি খোঞ্জেলনা চিংখৎলি হায়নবা লৈরিবনি। ফজবা, নুংশিবা খোঞ্জেল অদুতং তাবদা মহাক্কী অশোয়বা নৎত্রগা মহাক্কী মঙম শান্দবা মথৌ কয়া অদু ইরায় লায়না ঙাকপীদুনা হেন্না নুংশিবা অমা পোকহনবা ঙম্মী।

ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী থৌরমশিং য়াম্না পিক্লিঙৈদগী তারকখ্রে। লৈকায়দা রেদিও লৈনদ্রিঙৈ, চাওখ্রবা লৈকায় অমদা সুপ্নগী রেদিও অনী নৎত্রগা অহুম লৈবা লৈকায় অদুদি ইনাক খুল্লবা লৈকায় ওইনা খুঙ্গং ওইরপনা তৌবা লমদমশিংদদি খন্নরম্মী। মদুগী মরক্তা হৌজরকপা অমা ওইনা ঐখোয়গী লৈকায়দসু রেদিও মরাং কায়না লৈরমদে। ঐখোয় তাচৌশিং থোকপা অমগী য়ূমদা লৈবা রেদিওদু নুমিৎ হেক তারকপগা শুমাংদু মীনা পিক থল্লি। মাগী মাগী ফিদা পুরকপসু য়াওই। কনাগুম্বনা ফক পুরক্তুনা শুমাংদা থারগা পোত্থাদুনা রেদিও তানরম্মী। খুঙ্গংগী থৌরমদা খোংজোম পর্ব্ব, লীলা, খুনুং ঈশৈ, পেনা য়াম্না থাই। মদু অহলশিংনা মপূক্লিং পেঞ্জনা তাই। অদু লোইরগা ময়ূমদা হন্নখিবসু য়াওই। নহা মখৈনা মখা তানা তাথনরম্মী। মদুদা খোঞ্জেল ফজবা এনাওন্সরশিংনা থৌরম লাউথোকপগী খুনুংঙাই অসিদি ঈশৈ তাবদগী হেল্লিবনি। খুঙ্গংগী থৌরম হৌবদা ওইনাম বিরমঙ্গোলনা "ইনাও জয় জয়, নয়াম্বনা খুরুমজরি" দং হায়বদা ময়ামসি মোমোন মোমোন নোকচরিবনি। অমুক লোইশিল্লকপদা "ঙসিগী অঙ্গৈং-অশাগী পাউসু তামিন্নরবনিনা, ঙসিগীদি ইচিন ইনাও মতাং অসিদা কায়নরসি জয় জয়..." ঙসিসু নাকোংসিদা ঙংদুনা লৈরি। রেদিওগী থৌরম খুদিংগী মমিং চৎপা খোঞ্জেল য়াম্না লৈরম্মী। পাউগী শক্তম, ন্যুস রিদরস, লৌউ-শিংউগী ৱাফম, মতমগী ৱাফম, নুপীগী থৌরম, অঙাংগী থৌরমদা মপূং ওইনা এনাওন্সর ওইবিখিবী, চোংথাম ইচে কমলা, এনাওন্সরশিংগী মনুংদা - য়েংখোম জুগেশ্বরি, থোকচোম গোবিন্দনচিংবা কনানা কাউবা ঙল্লিবগে। থেংথরকপদা বিজয়া য়ুম্লেম্বমগী খোঞ্জেল অসি অঙকপা খোঞ্জেলনি। হৌজিকসু এ আই আর ইম্ফালদা নহা ওইরিবা থৌরম পায়সু পায়বা, অদুগা মরক মরক্তা এনাওন্সরসু ওইবা কয়া অমসু লৈরি।

বিজয়া য়ুম্লেম্বম, এ আই আর ইম্ফালদা ইংলিস প্রোগ্রামগী এনাওন্সর ওইনসু মতম খরা লৈরমখিবা মাল্লি। মহাক্কী খোঞ্জেল অসি রেদিওগা য়াম্না চানবা, ঙাঙথোরকপদা পকচবা অমা য়াওই। মতুংদা মহাক্না এ আই আরগী ওফিসর অমা ওইরক্লবা মতমদা ম্যুজিক পায়রমখি। নোংমা থা অসিগী ঈশৈ হায়বা থাগী অখন্নবা ঈশৈগী থৌরম অদুগীদমক ঐঙোন্দা ঈশৈ ময়েক অমা ইনবা ফোন তৌরক্তুনা হায়রকখি। ঐনসু ঈশৈ অমা ইখি। ঈশৈদু ইবা লোইরগা মহাক্না এপ্রুভ তৌদুনা রেদিওদা শকখিবনি। ৱা অনীরক শুনা ঙাঙনবা মী নত্তে। মহাক্না তৌগে খনখ্রবা অমদি তৌনীংবা থবক অদু তৌদনা খক তোকখিদে। চহী মরিমুক্কী মমাঙদা নোংমা এম এম টি এ (মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসন) দা ফর্ষ্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা তৌবগী ঐহাক চৎলি। নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা থৌরম অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা ঐহাক ৱা ঙাঙখি। মদুদসু বিজয়াসি লৈরমখি। মহাক চপ চাবদি কাউরে, হায়রিবা এসোসিএসন অদুগীসু প্রসিদেন্ট ওইব্রা করিনোমা তৌরমখি। মতাংসিদা পঞ্জনীংলিবদি, মহাক রেদিওদা শিনফম অমা ওইনা ফম পায়দুনা লৈরবসু, লমদম অসিগী নহাশিংগী তুংগী পুন্সি শেমগৎপদা অমদি হীরম কয়াদসু য়াম্না থৱায় য়াওনা চেন চোংদুনা হোৎনজবা তুংলমচৎপু শান্না উবা ঙম্বা মীশক অমনি হায়না খল্লি।

মতাংসিদা ৱাফম অমসু নীংশিংলকই। হৌজিক মতম ঈশৈ শকপদা মমিং লৈরবী হুইদ্রোম পুস্পরানি অসিনা জী টি ভিগী সারেগমাদা শরুক য়ারুবদু বিজয়া য়াওরমদ্রবদি খরা ৱানা থোক্কনি। মহাক মশানা পুস্পরানিবু পুদুনা audition য়াওরুখিবনি। মদুগী থৌরম অদু কনাগা চৎমিন্নগনি হায়না থিনরকপদা মহাক্না ঐ চৎকে হায়না হেক্তা চোঙথোক্তুনা চৎখিবনি। থৌরম অদু শরুক য়ানবা হোৎনবদা চঙগদবা শেনফমগী অৱাৎ অপা খরদা ওইরসু মেন্নবা হায়দুনা ঈশৈগী থৌরম অমা বোটতা শিনখিবা অদুদসু মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। মসিদা নত্তনা এ বি য়ু রেদিওগী ইন্টরনেসনলগী ওইবা থৌরমদা মহাক্না লুচিংদুনা মণিপুরদগী মমিং লৈরবী শৈশকপী অনী চহী অনীরক্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মহাক্না পুদুনা চৎখিবনি। অহানবদা হৌজিক মমিং লৈরবী - মঙকানা শ্রী লঙ্কাদা অদুগা লনস্না থোকচোমনা চাইনাদা পুদুনা চৎলুই। মণিপুরগী ফজরবা শৈশকপু মশক তাক্লুই। মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী লম্‌দা হেন্না চাওখৎনবা অমদি মশক থোক্না মীয়াম মাঙদা উৎনবা হোৎনবদা য়াম্না চাউনা থৌদাং লৌরমখি। নুংতিগী ফোঙবা পাউচে হুইয়েন লানপাউগী চহীগী ওইবা থৌরমশিংদা মহাক চিত্থদনা য়াওদুনা লাকই। ময়াম পূনবা, ৱা খন্নবা অমদি অতৈ থৌরম কয়াদা মায়পুননা শরুক য়ারমখি। নুপী অমা ওইনা পোকচরবসু নুপীদি হন্থনা লৈগদবনি হায়বগী ৱাখল অদু মঙোন্দা লৈখিদে। হীরম খুদিংদা শিংনবা য়াম্না পামখি। নুপীগুম্না পেথ-নৌথদুনা লৈবা মহাক হৈনখিদবা মাল্লি। ৱা ঙাঙথোরকপদা দোং দোং হায়গল্লি, মানা হায়রিবদু অরোৎ অথুপ অমত্তা য়াওদনা হায়নীংবা ৱাদু অমত্তা খাক্তনা ৱা ৱা নোক্তুনা হায়গল্লি। মানা হায়বদা কনানসু ৱারৌখিবা য়াওনখিদে। হেন্নদুম নুংঙাইনা তাখি। মরমদি মহাক্কী ঙাঙথোরকপদা দোং দোং হায়রবসু লৈশি লৈখোনবা অমদি অদুম লোয়নদুনা লৈখি। নোকসু য়াম্না নোক্কল্লি। হৌনা হৌনা নোকপসি মাগী হৈনবীনি। লোন্না ফুনদুনা নোকপা হায়বদু পাংদবনি হায়না খনখিবা মাল্লি। নোক্লিংলদি ৱা ৱা নোকপদা করি কায়বগে হায়বা ৱাহং হংলম্বগুম্বনি। মীপূম খুদিংমক তরাম তরাম্না লোয়নবা, থরুম লৈতবা অমদি লোইনমক চিখোন নাওখোনবা হৈবী মীশক অমা ওইখি। মসিমক মহাক্কী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই অমনি।

বিজয়ানা লৌবা ইন্টরভিয়ুনচিংবা এ আই আর ইম্ফালদা ব্রোদকাষ্ট তৌরকপা মতমদা তাবা য়াম্না নুংঙাইখি। ৱা ঙাঙবদা লৈতোন য়াম্না শেংই। মণিপুরী লোল শেংনা হায়নবা কন্না হোৎনৈ। হৌজিক্তি ঐখোয়গী লোল অসিদা লোনয়ান ময়াম অমা য়াওশিল্লকপনা ঐখোয়না ঙাঙনরিবা লোল অসিদা লোনথৈ ফনা য়াম্না য়াওরক্লে। মসি মহাক য়াম্না চেকশিনখিবনি। নোংমসু ঐঙোন্দা মীতৈলোলগী ৱাহৈশিংগী অৱম-অয়াঙগী মতাংদা হংখি। ঐনা অখঙবা তানখি। তশেংনমকসু রেদিও হায়বসি ঐখোয়গী লোল অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবনি। হৌজিকসুনি, মসিদা লোনথৈ য়াওরক্তনবা, খোম্থোক চুম্না ঙাঙনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মসিগী ৱাহন্থোক অসি মুন্না খঙখিবা মীশক অমা ওইখি। মহাক্না হন্দক তমথীরবা লাইচৎ অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অসি লাইবক্তা তল্লকপা ওইরবসু য়াম্না নীংঙমদে। মতম শাংনা লৈহন্নীংখি। অদুবু নমদুনা পুবিখ্রে। মহাক্কী থৱায়না মপু মাগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না মতম চুপ্পগী ওইনা পোন্থাদুনা লৈবা ওইরসনু।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।০৫।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৬.৪৩ ফাওবা কালেনগী ১১নি পাল্লি, মতুং ১২ নি পাল্লনি।

মেষ: চিন শোইরদি লন মাংবা অমদি য়েক্লবনা য়েংশিনবা ঙসিসু লৈরি। হকচাং নুংঙাই, থবক পাংগনি, য়েৎনরম্বা ফরনি, লাইগুরুনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংব/কিসমিস।

বৃষ: খন্থদনা মীনা ইনশিনবা লৌরবা, খুৎচাও থারবা অমদি অখং অহৈগী ৱা তাদনা হৈপা শারসু মাংগনি। থেংলপ্পদি হরাওবা নুংঙাইবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনদি চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: পংলদি মাংজবা/কাইনবা নংগনি। ৱা য়াম্না ঙাংনিংগনি-ঙাংদবনা ফৈ। হান্নদগী হোৎনরকপা থবক্তা নিংহন্নদনা চংশিনবনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, মীচংসু হেনগৎকনি অমদি লেংদবা লন ফংনবগী মরম লাক্কনি। শিংবা লাংবা অমদি ঙাংশকপদা মাই পা ক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: অফবা থবক্লি খল্লবদি লন হেন্না থাদবা য়াগনি। অচুম্বা হায়বসি কনানসু মাইথিবা পিঙমদে। মদুগী ময়েক লাবা খুদম ফংগনি। পাউদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং খোম্বসু মাই পাকচবা অমদি নথক থোংবতা নত্তনা মীয়াম্নসু থাগৎপিবা নুমিৎনি। শকখংদবনা ইনশিনবদি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: অনম তানবা অমদি হোয়া ফবা মাংজবতা নংগনি। অদুবু হকচাংদি নংঙাইবা হেনগৎপা, ইমুং-মনুং নুংশিনবা অমদি নচাক নরল চংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: হকচাংগী খল্লগা অচম্বা চাবা ফগনি অমদি মীগা মুক্লবা/খৎনবা তৌগনু। লাইবক ফবনা নিংজবদি থুংগনি অমদি থিজবগী কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরুপকী মতেং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: পাংগে খনবা থবক লাইনা পাংগনি, অনৌবা মরুপ/অরাপ্পগী মতেং লৌবা য়াগনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি-থৌয়াম পুগনু, হৈপাসু শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: মরুপ মপাংদা নোল্লক্লা চৎপা, শকখংদবা লোইনদবা অমদি চরাংনদবনা মাংগদবা কয়াদগী কনগনি। পাংগে খনবা অফব থবক্তি পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: নিংহন্নগনু, কনানসু মাইথিবা পিবা ঙমলোই, অশাওবদি লাপ্পা থমখো। হৈনা শিংনা থৌ পাংবা অমদি ঙাংবা হৈবনা মাই পাকচৌ হাইবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: ঙসিসু নিংবা শোইদনা থুংগনি, অফবা থবক পাংহৌবা ফগনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াম্না ফবা নুমিৎনি। অফা-অপুনসু কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




মপুরোইবা : অয়ুক হেক হৌগৎলকপগা নুপা খুদিংমক্তা নঙগুম্বী নুপী ফংবা ওইহনবিয়ু হায়না লাই খুরম্মী।
নুপী : (হরাউরদুনা), অশেংবা অদুমাইনা হেক খুরুম্বরা?
মপুরোইবা : হোয় খুরুম্মী, কৈদৌবগী ইথন্তা ৱাজদুনা লৈগদৌরিবনো?

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

তোমচা : লখা, লুহোংলবা মীওইশিং ন্যুজপেপরদা মশা-মশাগী রাশি ফল পাদে হায়।
লখা : করিগীনো অদুদি?
তোমচা : লুহোংলবা নুপাশিং অদু মাগী-মাগী নুপীগী মায়থোং য়েংলগা অদুমক খঙবা ঙম্মী মদুদি ঙসি করি থোক্কদবনো হায়বদু ...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মীওই মরি-মঙা জ্বার শান্নদুনা লৈরম্মী। পুলিস হেক লাকপা উবগা জ্বার শান্নরম্বা নুপা অমা পুলিসকী গাড়িদা কাখৎতুনা ফমখি।
পুলিস : নঙ করিগীনো নথন্তা লাক্তুনা গাড়িদা ফল্লিবদি?
নুপা : মমাংদা ফাবদসু সিট ফংদদনা পুলিস ষ্টেসন ফাওবা লেপ্লগা চৎলি ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

য়মরাজনা চাওতোনদা হায় : চৎলসি, ঐনা নঙবু লৌবা লাক্লবনি।
চাওতোন : মিনিট অনীখক ঙাইবিয়ু।
য়মরাজ : মিনিট অনীদা কৈদৌগে হায়রিবনো?
চাওতোন : ফেসবুক, ইন্সটাগ্রাম, ত্বিটর অমদি হ্বাটসএপতা 'গোইং টু য়মরাজগী মনাক্তা' ইরগা থাগৎলমগে তৌবনি...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

নাউচাগী ওজা : মনম নমথিবা অমা নঙোন্দগী লাক্লে। হয়েং নখোয়গী ইমা কৌদুনা পুরকউ।
নোংঙাল্লগা ওজা অদুনা নাউচাগী মমাদা হায়, অঙাংসে হয়েংদগী ইরুজরগা স্কুল থারকউ।
নাউচাগী মমা : ওজা অদোম, অঙাং অদুমক লাইরিক তাকপীফম থোকপা অদু অদুমক তাকপীয়ু। অঙাংশিংগী মনম নমগনু....!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

দোক্তর ১০, ইঞ্জিনিয়র ৬ অমদি ওজা ১ হেলিকোপ্টর অমগী থৌরিদা য়ান্দুনা লৈরম্মী। পায়লোট অদুনা হায়রকই- লুম্বা হেনমনখিবনা হেলিকোপ্টর অসি পায়বা ঙমদ্রে। মী অমা থৌরি থাদোক্তুনা চোংথদবা য়াররোই। মদুদা ওজা অদুনা হায়রম্মী- ঐ ওজ ানি কৎথোকপগী থবক তৌদুনা লাক্লবনি, অদুনা ঐ ওইনা থৌরি থাদোক্তুনা চোংথরগে। ময়াম ৱাফম অসি তারগা খুবাক খুন্নিংদ্রা...? মদুদা দোক্তরশিং অমদি ইঞ্জিনিয়রশিং হরাউরদুনা খুবাক খুবদা মখোয় পূম্নমক মখাদা তাখিদুনা হেলিকোপ্টর অদু য়াংনা পায়বা ঙমখি। মসিনি ওজা হায়বদুগী হৈশিংবা ...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : ঙসি নাউন হায়বসি করিনো ঐনা তাক্কনি।
রমেশ : হোয়, মেদাম
ওজা : রমেশ, নুপীমচা অমনা নোকফেৎ তৌরদুনা পূম্নমক্কা ৱারী শারম্মী। ৱাহৈ পরেং অসিদা নুপীমচা অসি করিনো?
রমেশ : মেদাম, য়াম্না লমহেনবি অখৎপী নুপীমচা অমনি।

☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Mobile Legend
By: L. Barcelona Khuman
Class: VII
Address: Maheilen Education Center Haotal



Title: Scenery
By: Ngasepam Manshita Devi
Class: V Sec: B Roll No: 64
School: Nirmalabas High School



Title: Doraemon
By: Heikrujam Dishan Meitei
Class: VIIRoll No: 18
School: Maheilen Education Center Boarding



Title: Humungousaur-Ben 10
By: Ngasepam Krishnan
Class: I Sec: D Roll No.: 50
School: St. Joseph's Higher Secondary School




Title: Landscape
By: Lamnganba
Class: IV Sec: B
School: Maheilen Boarding Haotal



Title: Flower
By: Lingjel Laishram
Class: I
School: Heritage Convent



Title: Diya
By: Nicholas
Class: UKG
School: Maheilen Education Centre



Title: A girl with butterfly on monn light
By: Peter Laiphrakpam
Class: V Sec: B Roll: 48
School: St. Joseph's Hr. Sec. School



Title: Cat
By: T. Rohit
Class: V
School: Maheilen Education Centre

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।